## এডিটোরিয়েল

### ইমা কৈথেলগী ৱাথোক

*ষ্টেট অমগী মায় ওইগদবা মীয়ামগী মীৎয়েং তাফম ওইগদবা মফমশিং শেমগৎ–শাগৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা সরকারগী মীৎয়েং চংফম থোকপা কন্সত্রক্সন ঙাক্তনি। টার্ম অহুম মপুং ফারগদবা কংগ্রেসনা লুচিংবা ঙসিগী মণিপুর সরকার অসিনা মখল মখা কয়াগী চাওখৎ–থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎখি হায়বসিদি হৌখিবা চহী খরসিদা ওইরিবা অহোংবা অমদি অওনবা কয়া অসিদগী খঙলবনি। ইন্দিয়াগী চাওখৎ খোঙজেল মতুংইন্না লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক থোং মান্ননা চাওখৎহনগদবনি হায়বগী পান্দম অমগা লোয়ননা মীৎয়েং চংলকপা মতমদা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিং অসিনা খ্বাইদগী শোখবা ওইরম্বদু থেংনরকপদগী ইন্দিয়াগী "লুক ইষ্ট পোলিসি" অসি শেমখিবনি। অদুদা মমাঙগী ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেসননা শেল থুমগা মরী লৈনবা মরম কয়াদা অথিংবা কয়া থল্লকপনা মরম ওইরগা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎলম্বা থৌরাং কয়াদা অপনবা কয়া থোকখি। মদুসু সরকার পায়রিবগী থৌশিলগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। সরকার অমা হায়বসি মথং মথং চত্থরকপা প্রোসেস অমনি। হায়রিবা প্রোসেস অদুনা মরম ওইরগা নৌনা শেল্লকপা থৌশিলশিংদা মরুওইনা ইকোনোমিক পোলিসিগী মখাদা শেল থুম খুৎচাও থানা শীজিন্নখিবা ষ্টেটশিংদা পায়খৎপা থবক কয়াদা অথিংবা থমখি। মদুনা মরম ওইরগা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা খুৎচাও–থাদুনা হাপচিল্লম্বা ইমপ্লোই কয়া অমা লৌথোক্তুনা ডাউন–সাইজিং তৌবগী পোলিসি অমা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পায়খৎখি। মদুদসু মশানা ইমপ্লোই মশীং ৱাৎলবা দিপার্টমেন্ট খরগীসু য়াওনা শোকচিল্লুবদগী লৈহৌরিবা ইমপ্লোই মশীং খরদুনা থবক পুবা ঙল্লক্তবগী ফিভমদা লৈরি। মদুগী তাঙ্কক অদুৱাইদা সরকারগী হায়বদি এদমিনিষ্টেটরশিংগী হৈথোই শিংথোইদবা মতৌ অদু মীয়াম্না উবা ঙম্নখি। মদুগা চপ মান্নবা মওং অমনা থবক হাপ্পগী অথিংবা লৈরীঙৈদুদা ডিপার্টমেন্ট খরগী ওইনা কোমথোকপা থম্বা মতমদা মিনিষ্টরশিংগী পায়নরিবা ডিপার্টমেন্ট কয়া অন্দরষ্টাফ ওইরিবগে হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমত্তনা মখোয় মখোয়গী ডিপার্টমেন্টশিংগী মতাংদা পুথোক্লখিবা লৈতে। মদুগী মশোয়বদু ঙসিসু মেনখৎপা ঙমদনা লৈরি। মদু ঙসিগী লৈঙাক অসিগী অমসুং লেজিসলেটরগী মথক্তা ৱাঙাংলুবা ঙম্বগী হক লৈতনা তুমিন্না খাঙলিবা মীওই কয়ানদি খঙই। অদুগুম্বা শেল–থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী লৌখিবা ফিরেপ অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী চাওখৎ–থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া অমা লুক ইষ্ট পোলিসিগী য়াওনা সেন্তরদগী থাদরকখি। হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী খুদোংচাবা কয়া মণিপুর সরকারনা ফংলবসু য়েংশিনহৌদবা সেন্ট্রেল প্রোজেক্ট কয়াগী শেন্থুংদি ককথৎখি। হায়বদি সরকার পায়রিবশিং অমদি ইকজিক্যুটিব ওফিসারশিংনা মতম চানা প্রোজেক্টশিং অদু য়েংশিনবা ঙমদবা মওংদা লৈহনখি।*

*ইমা কৈথেল অহুম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়োলদা শাখিবা অসিসু সরকারনা শোয়বদগী লোয়শিনবা ঙম্লোইদবগী মওংদা লাকখি হায়বসিসু খন্থুফম থোকপা হীরম অমনি। কৈথেল অহুম চপ–মান্ননা শাবা মতমদা কৈথেল অনীনা য়ুহারগী চৈথেং ফংবা মতমদা ইহান হান্না শাখিবা কৈথেল অদুনা লেপহৌরিবসি করিদগীনো হায়বা খনবা তায়। ইহান হান্না শাখিবা কৈথেল অদুদি ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবগী মথক্তা ক্যুরিং নিংথিনা তৌখি হায়না লৌবা য়াই। কৈথেল অনী অমদি মদু পুম্বা য়েংশিন্নবা মতম ফংখিদে, কৈথেল অহুম অমুক্তদা শঙ্গাগদবনি হায়বা কৈথেল ফম্বীশিংগী খোল্লাওদুনা হেন্না মপুং ওইখিবা অমসুং অতোপ্পা প্রেসর কয়াদগী থাদরকপা প্রোজেক্টকী শেনফম লোইশিন্নবা হোৎনবনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌখিদে অমসুং কৈথেল শাখিবা মফমশিংগী সোইল টেষ্ট তৌদনা কৈথেল মফম কায়দনবনি হায়না কৈথেল নংনবা শাখিবদগী চপ মান্ননা শঙ্গাখিবা ইমা কৈথেল অহুমগী মনুংদা অনী নিংখাইখিবনি হায়বসি সরকারগী মরী লৈনবা খুদিংমক অমসুং কন্ট্রেক্টরশিংনা শোয়দনা য়াফম থোকই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### খোংনাং য়ানসি রোদ সেফতি মপুং ফাহনসি

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ভারত সরকারনা চহী খুদিংগী লম্বীদা গাড়ী অমসুং মী খুদোংথিবা থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মিংদা রোদ সেফতি ৱিক হায়দুনা পৈশা চাউনা চাউনা কায়থোক্তুনা শীজিন্নথোকই অদুবু তৌহননিংবা থৌরাংদি পায়খৎপা ইউ উদে। খুদম ওইনা লম্বী ময়াইদা হৌবা চাউরবা খোংনাং য়ানথৎতে। খোংনাং মশাদা পন্দুনা ডিঙকু রোদতা অঙাং পুথোক পুশিন তৌবা বস অমা বোদি ফক্কায়দুনা গাড়ীগা বোদিগা তোঙান–তোঙান তাখিবা লৈখ্রে। মমাঙথক্তা হায়রিবা খোংনাংসিগী অৱাং থংবা মশা থাদোকপদা লম্বী মতাইদা চৎচবী নুপীমচা অমসু বসনা তক্তুনা শিখ্রে। লম্বী ময়াই চবুক্তা লৈবা খোংনাং অমদনা মারুতিকারগুম্বনা থেংজিনখিবগী শোকফম অমসুং মীংশেল মচেৎ কেন্দুনা খোংনাং মখোঙদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরে। নিউ চেক্কোনদা লৈবা পোরোমপাৎ রোড অমসুং হাত্তা গোলাপতি রোদ ক্রোশিং ময়াদা হৌরম্বা খোংনাং অমদি হন্দক য়ানথৎখ্রে, লম্বীদু ইহাং হাংলে। কৈদৌবগে, লম্বী ময়াই ওইরপনা হৌবা খোংনাংশিং য়ানথৎলগা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তনবা তৌসি, মীশি মীনাদগী কনসি অদু ওইরবদি রোদ সেফতি ৱিক্কী কান্নবা ফংগনি। সরকারনা ৱাকৎ অসি থবক ওন্থোক্কে খনবীরবদি খোংনাং পাম্বী কয়া মফম চাদবদা হৌবা লম্বী কয়াদা লৈরিবনি মদু লোয়নমক য়ানথৎসি। থাংমৈবন্দগী লম্বী মতেক অসিদা হৌরম্বা খোংনাং ময়াম খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়ম শারকপদা লম্বী পাকথোকপদা য়ানথোকখ্রে, থাগৎনিঙাইনি। হৌজিক লম্বী অসি ইম্ফালগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা (পাকপা) ওইরে। খোংনাং লাই ওইনা লৌনবা মী ফুরুপ মীতৈ–মৈতৈনা অয়াম্বা অশিন অৱাং তৌবগীরা মী শীনবরাঅমদি তৌরে। উরিপোক্তা খোঙনাং অমা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা তুরকপদা রিক্সোগা কোন্ননা নন্দুনা রিক্সো থৌবদু শিখ্রবনি, থৌদোক অসি ইকান কান্নদনা লেঃ গর্ভনর শ্রী পানিগ্রহিসু ইরোইশেম্বদা থৌরম পাঙথোকউরগা হল্লকপদা খোংনাং অসি লাম্থোকখিবদা ঙাইরিবনি, লাইবক ফবদগী মাদি লাম্থোকখ্রগা রিক্সো অদুদু খোংনাং অদুনা ননখিবনি।

কালিমাই মপাগী রোদ দাইদরদা হৌবা খোংনাং মশা অকংবা তেল্লককপদা নিপা অমসু মকোক্তা পান্দুনা মথৱাই থাখবনি। মরম অদুনা লম্বীদা হৌবা উ মখৈ য়ানথৎশি হায়জরি।

অদোমগী
এন. নিলচন্দ্র
নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকাই

### লম্বীদা মীৎয়েং থম্নরকপাঃ

# রোড সেফটি মেনেজমেন্টদগী ওদ–ইভন প্লান

#### হাওবা

মীওইবগী পুন্সিগী খ্বাইদগী মরু–ওইবা লম্বী অসিনা মী হাৎলিবা অমসুং ফত্তবা নুংশীৎ (এয়র পোল্ল্যুসন) পীরিবা অসিগী ৱাখৈরোল করম্না পীদুনা অশোয়–অঙাম খিবিক্তগী শাফরবা নুংঙাইরবা লম্বী করম্না ওইহনগদগে হায়বসি ঙসিগী ৱাহংনি। অসিগুম্বা শাফরবা লম্বী ওইহন্নবগীদমক্তা লৈবাক মীয়ামগী থাক্ত 'রোড সেফটি ৱিক' অসি জানুৱারি ১০ দগী ১৬ জানুৱারি ফাওবা থৌরমশিং পাঙথোক্লরি হন্দক্কী থিম্না 'টাইম ফোর এক্সন' হায়বসিনি। লম্বী চৎপগী চৎন–কাঙলোনশিং থবক ওইনা পাঙথোকপা মতম ওইরে হায়বসিনি। অদুবু হীরমসিদা লমদমসিগী মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙম্নদ্রি। লৈঙাকপা লুচিংবশিং অমসুং লোয়শঙশিংনা চেদা, চিন্দা পঙহায় হায়রবসু, হীরমসিগী পান্দমশিং মায়পাক্লা হোৎনবা লৈত্রি। ট্রান্সপোর্ট লোয়শঙনা চেরোল অমা থোক্লগা পুলিস লোয়শঙনা গাড়িগী চে–চাং খরা য়েংশীল্লন্নগা অদুম্মক তোকখ্রে। রোড সেফটি ৱিক্কী (জানুৱারি ১০–১৬) মতম লোইদ্রিঙৈদা পুলিসকী হাজিরা খুৎশু মানবা থৌদাংশিং অদু তোকখ্রে, সহরগী লম্বীশিংদা উখিদ্রে। গাড়িশিং চেক তৌবা অদুম্মক্লা খরদি কান্নে হায়না লৌনরবসু, মপুং ফানা তৌখিদবনা কান্নফম খঙদ্রে। মণিপুরদা রোড সেফটিগী থৌদাং লৌবা ঙমদনা লৈরি। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

লম্বীগী খুদোংথীবনা মণিপুরদা মী হাৎপগী মশীং চহি চহিগী ওইনা হেনগৎলক্লি। মসিবু থোকহনবগী মরমশিংগী মনুংদা লম্বী মতীক চাদবা, গাড়ি মতীক চাদবা, লম্বী চৎপগী চৎন–কাঙলোন ইন্দবা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা অমসুং চহি লৌরিবা মীওইশিংনা লাইসেন্স পায়বা তৌদনা গাড়ি থৌবা অসিনচিংবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি মায়পাক্লা থেংনবা ঙল্লবদি, রোড সেফটিগী তুংকোইবা ৱাখৈরোল পীবদা মায়পাকপা হৌরবনি।

মীওইবগী পুন্সিদা মতম চাদনা শিবশিংগী মনুংদা লম্বীগী খুদোংথীবদা শিবনা মশীং হেল্লি। ইন্দিয়াদসু চহি খুদিংগী লম্বীগী খুদোংথীবদা চাংচৎ অমদা মীওই লাক্ষ ১.৪০ চহি খুদিংগী শিরি। অমসুং মীওই লাক্ষ ৪.৯৩ না অশোক অপন নংঙি হায়রি। চাংচৎ অমদা ইন্দিয়াদা পুং খুদিংগী লম্বীগী খুদোংথীবা ৫৬ অমসুং পুং খুদিংগী মী ১৬ দগী তাদনা হাৎলি। খুদোংথীবগী থৌদোকশিং অসি অয়াম্বনা চহি ১৫ দগী ৩৪ ফাওবগী মনুংদা থোক্লি। মসিগী অশি–অনা, অশোক–অপনগী খুদোংথীবা হেন্না নংলিবা কাঙলুপ অসি ভি আই পিশিং, বুবু ক্লাসকী মীওই অমত্তা নত্তে। মখোই অদুদি দিমোক্রেসি লৈঙাক্কী ফংফম থোকপা হকশিং ফংজদ্রিবা লম্বী চৎপশিং, সাইকল তোংবশিং, স্কুল চৎপা মহৈরোয়শিং অমসুং ৱিকর সেক্সসন মীওইশিংনি। ৱিকর সেক্সনগী ইমুং অমগী অশুপ্পা থৌদাংগী পোৎলুম পুরিবা মীচমশিংবু লম্বীগী খুদোংথীবনা মচীঙ্গাক ওইখিবা হায়বসি লৈবাক্কী শেম্মীৎলোন্দা অমাঙ অতা চাউনা থোকহনবনি। থৌওং অসিনা ইন্দিয়াগী জি দি পিদা চাদা ৩ গী শেম্মীৎলোনগী মাঙজবা থোকহল্লি। হায়না পানরিবনি।

মতাংসিদা রোড সেফটি প্রোভিজনশিং খুদম ওইনা, সেন্ট্রেল মোটোর ভেহিকলস এক্ট ১৯৮৮ অমসুং সেন্ট্রেল মোটোর ভেহিকলস রুল্লস ১৯৮৯ নচিংবা লম্বীগী খুদোংথীবা লৈহন্দবগী চৎন–কাঙলোনশিং অসি লমদমসিদা ঙাক্না চৎহল্লিবরা হায়বা ৱাহংশিং লৈরিবনি। গাড়ী থৌবা, থৌবগী চাংয়েং পাঙথোকপা, গাড়ি থৌবগী পারা তম্বীবা স্কুলশিংগী থৌদাং, মতীক চাদবা ড্রাইভরশিংবু দিপার্টমেন্টকী ওইবা এক্সন লৌখৎপা, থবক থদৎপা, মতম খরগী ওইনা থবক পায়হন্দবা (সসপেন্সন), ফংফম থোকপা মরালগী চৈরাক পীবনচিংবা চৎন–কাঙলোনশিং অসি লমদমসিদা করম্না কদায়দা শীজিন্নরিবগে হায়বা ৱাহংশিং হংনরিবনি। হায়রিবা চৎন–কাঙলোনশিং অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা ঙাক্লা চৎননবা সুপ্রিম কোর্টনা পাউতাক পীরিবনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিংদা সুপ্রিম কোর্টনা য়েংশীনবগী থবক (সুপরভিজন) চত্থরিবনি। ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা রোড সেফটিগী পায়খৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিন্নবগীদমক্তা সুপ্রিম কোর্টকী জজ, ওনরেবল জষ্টিস কে এস ৱাধাকৃষন না চেয়র তৌবা মেম্বর অহুম্না শাবা কম্মিটি অমনা য়েংশিল্লিবনি। অদুবু থবক ওইনদি তরং–তরংনা উবা ঙমহন্দ্রি হায়বা তাই।

মসিদা নত্তনা, মিনিষ্টর, আর টি এন্দ ঐচনা লুচিংবা রোড সেফটি লৈহন্নবগী এপেক্স বোডি ওইবা 'নেসনেল রোড সেফটি কাউন্সিল' লৈরি। লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী খুত্থাঙদা মী কন্নবা অমসুং রিলিফ পীহন্নবগীদমক্তা 'নেসনেল হায়ৱে এক্সিদেন্ট রিলিফ সার্বিস স্কিম' গী মখাদা ক্রেন্নচিংবা চিংখৎনবা খুৎলায়শিং অমসুং এম্বুলেন্সশিং পীরিবনি। অদুবু থৌরাং অসি মীয়াম্না খঙদে। মসিবু মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা ফংহনবসু তৌদ্রি। রোড সেফটিগা মরী লৈনবা রুলস এন্দ রেগুলেসনশিং অসি নীংথিনা মায়পাক্লা থবক ওন্থোক্লবগীদমক্তা ষ্টেটশিংদা পীথরিবা রোড সেফটিগী খুৎশু–খুৎলায় অমদি পোৎলমশিং অসি ঙসি ফাওবদা মীয়ামদা খঙহন্দ্রি।

মণিপুরদসু মিনিষ্টর, ট্রান্সপোর্টনা লুচিংবা ষ্টেট রোড সেফটি কাউন্সিল অমদি লিংখৎখ্রবনি চিফ সেক্রেটরি, জি ও এমনা লুচিংবা রোড সেফটিগী 'হায় লেবেল কম্মিটি' অমসু হান্নন লিংখৎখ্রবনি। ষ্টেট অসিগী খুদোংথীবা য়াবা মফমশিং হায়বদি ব্লেক স্পোটশিং কদায়দা লৈবগে অমসুং মদুবু শেমগৎ–শাগৎফম থোকপশিং পায়খৎনবগীদমক্তা 'সব–কম্মিটি ওন ব্লেক স্পোট' অমা লিংখৎখ্রবনি। ট্রেফিক্কী কাঙলোনশিং থুগায়বগীদমক্তা ফাইন ওইনা লৌখৎলিবা শেনফমদগী চাদা ৫০ লৌথোক্লগা ষ্টেটনা মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুংইন্না 'রোড সেফটি ফন্দ' শেমগৎখিবসু লৈখ্রবনি। হায়রিবা ফন্দ অদু ষ্টেট অসিগী রোড সেফটিগী চত্থরিবা থবক থৌরম কয়াদা পীথরি হায়রবসু, থবক ওইনদি ময়েক শেংনা উবা ঙমহন্দ্রিবা অসি য়েংখৎনীঙাই ওইরি।

হন্দক্তা মণিপুরগী ষ্টেট লৈঙাক্লা লম্বী চিনবা কোক্লবা, লম্বীগী অশোয়–অঙাম লৈহন্দনবা অমসুং ঈশিং–নুংশীৎ মোৎশীলাহন্দবগী মীৎয়েংদা লুহোং–খোঙদোঙবগা মরী লৈননা, লুহোংবগী পার্টি অমনা কার ৫ দগী হেনবা য়াহন্দনবা য়াথং লাউথোকখিবা অদু মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিনফম ওইরি। তৌবগীদি লুহোং–খোঙদোংবা, লাই লৌখৎপা, ৱাকৎ খোঙচৎনচিংবগী লম্বীদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ (মাস রেল্লি) চৎপগী চৎনবী লৈবা মণিপুরদদি লম্বী চিনবগী কোক্লবা অমসুং নুংশীৎ নুংশা শেংহন্দবগী (পোল্ল্যুসন) কোক্লবা থৌরাং তৌবা অসি য়াম্না তঙাইফদে।

থোইদোক্লা শীংথাবা য়াবা অমনা, অর্বিন কেজ্রিৱালনা লুচিংবা দিল্লি লৈঙাক্লা জানুৱারী ১,২০১৬ দগী হৌনা ওদ–ইভন ফোর্মুলা' চাংয়েং ওইনা পাঙথোক্লিবা অসিনা লম্বী চিনবা অমসুং নুংশীৎ শেংহন্দবদগী চাং খরদি কোকহনবা ঙম্লে। দিল্লিদা রেজিষ্টার তৌবা গাড়িগী নম্বরনা তুমাশুবা ওইরবদি তুমাশুবা চৈচত্তা অমসুং তুমাশুদবা নম্বরনা তুমাশুদবা নুমিৎকী চৈচত্তা দিল্লি সহরগী লম্বীশিংদা চেলহনবা হৌখ্রে। মসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি, নুংশীৎ শেংহন্দবদগী কোক্লবা হোৎনবনি। থৌরাংসিদা মনুং চন্দবা মীওইশিং লৈরি। মখোইগী মনুংদা নেসনেল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা লৈবা মকোকথোংবা পোলিটিসিয়ানশিং, জজ, পুলিস ওফিসার, নুপী অমসুং অনাবশিংনি। মসিদা সি এন জিনা থৌবা বস, টেক্সি অমসুং চাকা অনি পানবা গাড়ি অমসুং ওটোরিক্সোশিং কোনশিন্দে।

শীংথাবা য়াবদি, দিল্লি লৈঙাক্কী 'ওদ– ইভন ফোর্মুলা' অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা পুক্নিং থৌগৎখিবা অসিনি। দিল্লি সহরগী নুংশীৎ মোৎপা হেঞ্জিল্লক্লিবা অসি কোকহন্নবগী মরীদা ময়োল লৈঙাক অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা খেন্নবা পুম্বা তাইশিন্নদুনা মায়কৈ অনিমক্লা য়ানরবা 'কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম' পায়খৎখিন্ননবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা পাউতাক পীখিবনি। হৌজিক দিল্লিনা চত্থরিবা'ওদ–ইভন ফোর্মুলা' অসিখক্তংনা পোল্ল্যুসন ৱাখৈবা ঙম্লোই অমসুং মসিগা লোয়ননা অতৈ মথৌতাবা তৌরাংশিং পায়খৎকদবনি হায়না বেঞ্চ অসিনা হায়খিবনি।

দিল্লিগী মীয়াম্না মরুওইনা জুদিসিয়ারিনা শৌগৎপা থৌরাংঅসি হৌদোকখিবা নুমীৎ ১০ নিগী মনুংদা চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লবা মতুংদা কান্নবা ফংলে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। থৌরাং অসিনা পোল্ল্যুসনবু চাদা ৫০ হন্থহনবা ঙম্লে হায়না দি পি সি সি (দিল্লি পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ড) অমসুং সি এস ই (সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট) না চাংয়েং চত্থরবা মতুংদা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা জানুৱারি ৯,২০১৬ থাংজ নুমীত্তা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৮ দগী 'পি এম ২.৫' হায়না খঙনবা নুংশীত্তা অমোৎপা (পার্টিক্যুলেট মেটর) য়ানশীন্দুনা মোৎশীনবগী চাং খোমগত্তুনা চাংয়েং পাঙথোকপদা পোল্লুসন অসি চাদা ৫০ হন্থরে হায়বগী খুদম উৎপা ঙমখ্রে হায়রি। 'গ্রিন বোডি' হায়নসু খঙনবা ঈশিং–নুংশীৎকী মরীদা থবক তৌরিবা লুপশিংনসু পোল্লুশনগী চাং চাদা ৫০ হন্থরে হায়বসিদা য়ানীংবা উৎলি। সি এস ইনা থিজিনখিবা চাংয়েং অমদা দিল্লি লৈঙাক্কী ফোর্মুলা চত্থরিঙৈ মনুংদা মহৌশা ৱাংলবা পোল্ল্যুসনগী চাং অসি খ্বাইদগী হন্থবা ওইখি হায়বসিনি। অদুবু মসিমক্লা তুংকোই থৌরাং অমা ওইবা য়াদ্রি, তৌরাং অসিনা দিল্লিগী মী অমদা গাড়ি ২ লোইহনবগী ফীভম পীরকই অমসুং গাড়ি লাক্ষ কয়াগী চাকখাও হাংহল্লি হায়বগী ৱাফম লৈরি। মরম অদুনা প্লান এ লায়খৎলবা মতুংগী প্লান বি পায়খৎকদবনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক লৈরি।

মসি ওইদুনসু, লৈবাক্কী য়াইফনবগীদমক্তা প্লান এ খক্তং ওইরবসু, থৌনা ফনা 'ওদ–ইভন প্লান' চত্থরিবা দিল্লি লৈঙাক্কী থৌওংবু থাগৎলোইদবা মী তাঙগনি। মসিমকসু কেজ্রিৱালনা লুচিংবা অমা ওইনা চাংয়েংদা য়ুম্ফম ওইরগা চয়োল অনীখক্কী ওইনা পায়খৎখিবনি। থৌরাং অসি পায়খৎপগী খোঙথাংদা মীয়ামদা পীরিবা লৌশিং তামিন্নবা (এৱার্নেস) অমসুং পুন্না শরুক য়ামিন্নবগী (পার্টিসিপেন্স) কান্নবা অদুসু ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তগী দিল্লিগী মীয়াম্না হান্না ফংবা ঙমখ্রে। মসি মমল নাইদ্রবা কান্নবনি। মসিদা নত্তনা হু চেল্লবা নুংশীৎপু কান্নবা হী–য়াই ওন্থোকহল্লিবা লুচিংবশিং অসি অচৌবা থম্মোয় পানবনি, লাইগী গুন চেল্লবনি। মরম অদুনা দিল্লি লৈঙাক্কী থৌওং অসি অচৌবা থম্মোয়গী অচৌবা থবক্লি। মী চিল্লবা, নুংশিৎ শেংদ্রবা ইম্ফাল সহরসু অচৌবা থম্মোয়গী অচৌবা থৌদাং অমা ওইনা থৌনা ফনা পায়খৎপীগদবা অচৌবা মীশক অদু মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরি।

## মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মীতৈনা হেন্না Tribe ওইবগী গুন চেনবা হেল্লি।

মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ফুরুপ (Indigenous people / Tribe) নিফুমুক (৪০) অসিগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা মীতৈশিংদা Tribe ওইবগী গুনশিং চপ চানা য়াওরি, চেল্লি। মীতৈশিং অয়াম্বনা Hindu / Vaishnav লাইনিং লৌজরবসু ঐখোয় ইশাগী মমাঙঙৈদগী ইপা ইপুশিংনা চৎনরক্লবা চৎনবী, লাইনিং–লাইশোন, লোন চৎনবীশিং থাদোক্তনা হৌজিক ফাওবা ঙাক্লা চৎতুনা লৈরি। খুদম ওইনা য়ুমগী লাই ওইনা লাইনিংথৌ সনামহী, লৈমরেনশীদবী, ইমোইনুনচিংবা ইরাৎ থৌনিবা, য়ুমদগী মপানথোকখিবদা উমংলাই খুরুম্বা, উমংলাই হরাওবা অসিনচিংবা ঙসি ফাওবা মীতৈ খুদিংমক্লা ঙসি ফাওবা কাইদনা থাদোকতনা চৎলি অমদি মসিগী মতাংদা Census of India 1931 না ৱাফম অসি পল্লি মদুদি "Manipuri as wholly Hindu Tribe but retaining their distinctive language and culture" । মসিদসু নত্তনা UNO গী মরু ওইবা মশা অমা ওইরিবা International Labour Organisaion গী Convention No. 169 of 1989 নসু অসিগুম্বা মীওই কাঙলুপশিং অসি Permanent Tribe Societies, ওইগনি হায়না পল্লি। মদুদি United Nation / ILO Convention No. 169 was adopted in 1989 based on a general attitute of respect for the cultures and ways of life of Indegenous and Tribe people and fundamental assumption that Indigenous and Tribe people constitute Permanent Societies.

অমরোমদা মীতৈশিং অসি ভারত সরকার / Union Ministry of Tribe Affairs না পীবা অরিবা অমসুং অনৌবা পান্দমশিং (Criteria) মীতৈশিংনা মপুং ফানা চত্তুনা লাক্লি। হায়বদি qualify ওই হায়বনি।

অরিবা পান্দশিং অদুদি ঃ–

১। অরিবা খুনুংগী লোনচৎ চৎপা
২। তোপ তোপ্পা নাট চৎনবী লৈবা
৩। ইকাই থিগনবা–মীরক মীচিনথি ওইবা
৪। লমথুংদনা তোঙান তারগা লৈবা
৫। চাউখৎপগী থাক য়ৌদবা

অনৌবা পান্দমশিংঃ–

১। হিন্দু লাইশিং লৌরগসু মশাগী ওইবা লাইনিং চৎপদা অথিংবা লৈতবা
২। মশাগী ফুরুপ / Tribe মনুংদা নৎত্রগা অতোপ্পা Tribe শিংগী মরক্তা লুহোংবা অদুগা Non-tribe শিংদি লুহোংদবা
৩। তোপ–তোপ্পা মশাগী ওইবা নাৎ চৎনবী লৈবা
৪। পুৱারী অমসুং লম্মীৎ তুমিৎকী ওইনা তোঙান তোঙানবা
৫। খুন্নাই, শেল–থুম ১ দি মহৈ মশিংগী লমদসু শোৎথবা
৬। তোপ–তোপ্পা লোন ঙাংবা।

মীতৈশিং মফম অসিগী য়েলহৌমী (Indigenous people) ওইবনা মহাক্কী অরিবা অমসুং অনৌবা পান্দশিং মপুং ফানা শুনা য়াওই অমদি মীতৈ খুন্নাই U.N.O. গী মতুং ইন্না Permanent Tribe Society ওইনা লৈরি অমসুং লৈগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা পান্দমশিং অসি মণিপুরদা লৈরিবা Cristianity লাইনিং লৌখ্রবা য়েলহৌমীশিং মীতৈ, তাঙ্খুল, কবুই, মরাম, ৱাইফৈ, থাদৌ, মরিং, গাইমোল, মাওনচিংবা ফুরুপশিং অসিদি মথক্কী পান্দমশিং অসি শুনা লৈবা নৎত্রবনি অমদি মখোয়গী মপা মপুশিংনা চৎল্লম্বা নাট, চৎনবীশিং থাদোকখ্রবা কাঙলুপনি। মরম অসি লৈবনা মখোয়দা UNO না পীবা ১ দি Ministry of Tribe Affiars না পীবা পান্দমশিং শুনা চৎনা –ইনবা ওইদে। অদুবু য়েলহৌমী মরক্তা মীতৈ, কবুইনচিংবা ফুরুপ খরদি মপা মপুশিংগী চৎনবী নাট ঙাক্তুনা শেংনা চৎলি। অদুনা মখোয়শিং অসিদা Tribe ওইবগী মগুন মপুং ফানা য়াওরি হায়গনি, লেংদবা / Tribe Society ওইরি হায়গনি।

মীতৈশিংনা হৌজিক General Category / OBC চল্লিবা অসিদি মীওই খরগী ফৎতবা খুজিল থৌরাংদগী ওইখিবনি তশেংবদি মীতৈ ঐখোয়দি Tribe ওইবনা ঐখোয়গা ঈ মরী তিন্নবা শক–চু, ৱাঙাং–শাঙাং, চাকচা–য়ুথক অসিনচিংবা মান্নবা Mongoloid ফুরুপকী চাদা নাওদা ওইবা চীংদা তারিবা য়েলহৌমীশিংগা মান্নবা থাক, হায়বদি ST Status তা লৈমিন্নরগা ইংনা চিক্লা, নুংঙাই য়াইফনা পৃথিবীগী চাওখৎ লমজেলদা পুন্না চৎমিন্নগদবা ওই। মীতৈশিং থেংলবসু থেংনা মশাগী মমাঙঙৈগী অশেংবা মফমদা হঞ্জিনবনা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অমদি অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী অফবা ওইগনি। ঐখোয়না নিংশিংবা য়াই মদুদি " মান্নবা উচেকশিং পুন্না চাকতামিনৈ" অমদি "ঈ মরিনা হেন্না নকনৈ" হায়বা পাউরৌশিং নিংশিংবা য়াই।